# মুসলিম মরক্তগী থোরক্তুনা ঐহাক্না হোকি শান্নবদু উবদা মহারাজ চুড়াচান্দনসু ঐবু য়াম্না থাগৎপীখি : হেলিম চৌধুরি

সেন্ত্রেল দিষ্ট্রিক্টকী অহানবা মণিপুরী দি সী হেলিম চৌধুরিনা লৈখিদবদা হুইয়েন লানপাউগী মায়কৈদগীসু অৱাবা ফোঙদোকচরি। মশাগী চহী ৯২শুখ্রবা থবক্তগী পোৎথাখ্রবা আই এ এস ওফিসর অসি মণিপুরগী স্পোর্টস মুভমেন্টতসু অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরকখিবা মীওইনি। কুমজা ২০১৩গী জনুৱারী ২৮ অমসুং ২৯দা উনজদুনা মশামক্তগী ইন্টরভিয়ু লৌজবদা ফোঙদোক-পীরম্বা ৱাফম কয়া ঙসি নৌহৌনা অমুক মীয়ামদা ফোঙদোকচরি।

কুমজা ১৯২৮গী জন্যুৱারী ১দা ইম্ফালগী বাবুপড়াদা লৈবা এ গানী চৌধুরি অমদি বিবিজান বিবিগী মপারি ওইনা এ হেলিম চৌধুরি তাইবঙদা খোঙদারকখি। অহানবা ওইনা বেঙ্গলি স্কুলদা মহে মশীন তম্বা হৌরকখি। মথংদা সী সী স্কুলদা তম্লকখি। সী সী স্কুলদা ক্লাস নাইন তম্বা মতমদা স্কুলগী গেমস মাষ্টর পুলিস দাসকী লমজিং-লমতাক মখাদা ফুটবোল অমদি হোকি পাম্না শান্নরকখি। অদুবু ফুটবোল শান্নবদা য়েৎ থংবা কলর বোন তেকখিবদগী অপোকপা মপানা ফুটবোল শান্নবা থিংবদগী মখা তানা শান্নখিদে। অদুদগী হোকিদা ওইনা পুরা লুপশিন্দুনা শান্নরকখি।

কুমজা ১৯৪০গী মতমদা হোকি ফজনা শান্নখিবা মণিপুরগী প্লেয়রশিংগী মনুংদা এ হেলিম চৌধুরিসু মীয়াম্না শকখঙনবা শান্নরোয় অমা ওইরকখি।

হোকি শান্নবিরকখিবগী মতাংদা লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা মীওই অসিনা ৱারী কয়া অমসু অসুম্না লীবিরম্মী, মদু ঐহাক্না অসুম নীংশিংজবদা, কুমজা ১৯৪৩গী মতমদুদা ওইগদ্রা হায়না নীংজে, শ্রী যুক্ত মহারাজ চুড়াচান্দ নাইট কম্মান্দর, ষ্টার ওফ ইন্দিয়া, কম্মান্দর ওফ বৃটিশ অম্পায়র (কে সী এস আই, সী বি ঈ) না হোকিগী ফ্রেন্দলি মেচ অমা য়েংবীনীংই তাকপীরকপদগী সনা কোনুংগী হেক মখা থংবদা লৈরম্বা মনুং কাংজৈবুং হায়না খঙনবা শান্নবুংদুদা মহারাজ টিম হায়বা অমগা টাউন ক্লবকা ফ্রেন্দলি মেচ অমা শীনবীদুনা শান্নখি।

হায়রিবা মেচ অদুদা ঐহাকসু য়াওজখি। মদুদা শান্নমিন্নখিবা মরুপ মপাং অয়াম্বা মমিং কাউখ্রে। অদুমকপু ঐহাক্না নীংশিংজবদা হরিদাস, জি এন তোমচৌবী, কে এস ঐচ ইবোহল মখোয় খরসিদি নীংশিংলি।

হোকি অসি কন্না থৱায় য়াওনা সুম শান্নজরকপদগী কুমজা ১৯৪৮ অমদি ১৯৪৯গী বাইটন কপ্তসু মমিণপুর এলেভেন টিমদা য়াওদুনা ঐহাক শান্নজরকখি। কুমজা ১৯৪৮গী মতমসি, অমরোমদসু মণিপুরদা ফুটবোলদগী হোকিনা হেন্না ফাওবা মতম অমনি। হোকিসি মতমদুদা য়াম্না পোপ্যুলর ওই। অদুনা হোকি পাম্বা মীসি য়াম্না লৈ। কুমজা ১৯৪৮দা কোলকটাগী বাইটন কপ হোকি টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংদি অকোয়জম মনিহার (টিম কেপ্তেন), পি লালমনি, এস চাওসিংহ, কে ঐচ নিমাই, কে কুঞ্জো, এ অমুবা, প্রফুলো, জি এ তোমচৌবী, এল কেশো, আর কে গান্ধিস্না অমদি ঐহাক ইশামক এ হেলিম চৌধুরি ঐখোয়শিং অসিনি।

মহারাজ চুড়াচান্দগী মতাংদসু লৈখিদ্রবা ভেটরান শান্নরোয় অসিনা অসুম্না ফোঙদোকপীরম্মী, শ্রী যুক্ত মহারাজ চুড়াচান্দ সিংহদি মণিপুরদা স্পোর্টসকী ঈহৌ ফজনা শাগৎপীরম্বা নিংথৌনি। মহারাজ মশামকসু ফিল্ডদা থোক্তুনা শান্নবিখিবা অদুগুম্বা মীওইনি। মুসলিম মরক্তগী য়াম্না নহা ওইনা ঐনা ফিল্ডদা থোক্তুনা শান্নবগদু উবদা য়াম্না থাগৎপীরম্মী। অদুগা ঐহাক্তিঃ অহল-লমনশিংগী পাউতাকসু য়াম্না লৌজরকখি। শান্ন-খোৎনবগী মতাংদা ঐখোয়গী ইথক থোংবা অহল ওইনা লৈবিরম্বা, মণিপুরদা স্পোর্টস চাওখৎনবা হোৎনবীরম্বা লাইওইখ্রবা খোমদ্রাম বিরমঙ্গল, নোংমাইথেম বিরেন্দ্র, অয়েকপম বিরমঙ্গল, নোংমাইথেম রেবটি মখোয়গী লমজিং লমতাক মখাদা ঐখোয়সু তুং ইঙ্গরকপনি। শক্লাইরবা অহলশিং অদুনা ঐখোয়বু থৌনা হাপ্পীখিবা, নুংশিনা তৌবিখিবা ঙসি ফাওবা কাউজদ্রি। শান্নবগী অশেংবা মশক অমা খঙহনবীরকখিবসি লাইওইখ্রবা অহলশিং অদুননি। মখোয়গী মমল নাইদ্রবা খুদোল কয়াদুনা ঙসি মণিপুরদা শান্ন-খোৎনবগী মতাংসি মরা তানা লৈহৌবনি।

কুমজা ১৯৪৮দা বাইটন কপ শান্নবা চৎপদা থেংনরকখিবা থৌদোক অমগী মতাংদসু ভেটরান প্লেয়র অসিনা অসুম্না লীবিরমখি, কুমজা ১৯৪৮ অসি ইন্দিয়াসু ইনি দপেন্দেন্ট ফংবা কুইদ্রিবা মতমনি। হায়রিবা মতমদু ইন্দিয়াগা পাকিষ্টানগসি কন্না মুক্রুবা কনফ্লিক্ট লৈবা মতাং অমসু ওইখি। অদুনা শান্নবা চৎমিন্নরিবা কাঙবুনা ঐবু য়াম্না চেকশিন্না পুবিখি। কোলকটাদা লৈবা মতমদুদসু সেনগুপ্তা কৌবা মীওই অমগী ময়ুমদা ঐখোয় মণিপুর টিমসি পুল্লপ থম্বীখি। শান্নবগী চৎপা ওইরবসু করিগুম্বা ফত্ত-নুংদা থোক্লবদি হায়দুনা ঐবু কৃপ্পা শেন্নবিখি। মরম অদুনা ঐখোয় থোইদোকপা খুদোংচাদবদি অমত্তা থেংনরকখিদে। মণিপুর টিম পুবিদুনা চৎখিবা অয়েকপমগী তামো বিরমঙ্গলনসু ফজনা য়েংশিনবীখি। অদুগা দিমাপুর লম্বীগী মতাংদসু মথং মথং লোইনা নীংশিংলক্কে, কুমজা ১৯৪৮গী মতমসি মণিপুরগীদি লম্বী থোংসিসু য়াম্না ফৎত্রি। ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীসি ঙাইহাক লৈতনা লম্বী স্লিপ তাবসি য়াম্না তোইনা থোকই। দিমাপুর লম্বীদা স্লিপ তারম্বগী ঐখোয় খোঙনা মাইল কয়া শাংনা-শাংনা চৎলক-পসু য়াম্না য়াওরকখি। -মথং-মথং



### রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

### লৈখিদ্রবা এ হেলিম চৌধুরিবু নীংশিংদুনা নৌহৌনা ফোঙজবা

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯১

১। করম্বা চহীদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতগী ফুটবোল শান্নরোয় চহী ২৩ হেল্লবা অহুম টিম অমদা শরুক য়াবা য়াহনখি ?

২। মহাক চহী ৮১দা লৈখিদে, চহী ৭২ শুরকপদা ওলিম্পিক্কী মেদল অমা ফংখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩। মহাক CESKE BUDEJOVICE তগী প্রেগ ফাওবা মাইল ১১৮ অসি মহাক্কী মরুপ BOHUSLAV KARLIK কা পুং ২০দা হি হোন্দুনা চৎখি। মহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি, মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৪। 'লৈকোই' হায়রগা মণিপুরগী লান্মীশিংনা করিবু খঙনৈ?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অহানবা ষ্টেট লেভেল এস তোম্বা মেমোরিএল জুনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (ঐচএনএস)ঃ

কমখ্যা সোসল য়ুথ ক্লব (কে এস ৱাই সী) হিয়াংথাংনা শীন্দুনা হিয়াংথাং মমাঙ লৈকায়দা লৈবা কে এস ৱাই সীগী গ্রাউন্দদা চথরক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল লেট এস তোম্বা মেমোরিএল জুনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ থা অসিগী ৩১দা লোইশিল্লগনি।

টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা কাঙলূপ কয়া খায়দোক্তুনা চথরক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল লেট এস তোম্বা মেমোরিএল জুনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ লোইশিনবগী থৌরমদা হিয়াংথাংগী জিলা পরিষদ সরাংথেম সিলাস্না, য়ু বি আইগী রিটয়ার্দ এল দি এম মোইরাংথেম মোধু, হিয়াংথাং গ্রাম পঞ্চায়ট ৱার্দ নম্বর ৱানগী মেম্বর খাঙেম্বম মেরিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াগনি।

জুনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ থা অসিগী ৩১গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এস ৱাই সী সতুদাই খৌপুম অমসুং এন ৱাই ভি এ নাওরেম চেম্পিয়ন ওইনবগীদমক শান্নগনি হায়রি।

# হেলিম চৌধুরিনা লৈখিদবদা মণিপুর হোকিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (ঐচএনএস)ঃ ষ্টেট অসিবু হোকি মশান্নগী লম্‌দা নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়াদুনা লমদম অসিগী মীংচৎ কয়া পুরকখ্রবা মণিপুরগী হান্নগী হোকি প্লেয়র হেলিম চৌধুরিনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুর হোকিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা হেলিম চৌধুরিনা লমদম অসিগী হোকি মশান্নবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবিরম্বা কয়াবু শিংথাবা ওইনা ঙসি মণিপুর হোকিগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিশিংনা মণিপুর হোকিগী ওফিসতা লৈখিদ্রবনা তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা থৌনিখি। লোয়নন লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না মণিপুর হোকিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল টিকেন্না খঙহল্লক্লি।

# ইন্দিয়া ওপন বেদমিন্টনদা কিদম্বি স্রিকান্ত অমসুং পিভি সিন্ধু নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৯ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা চথরিবা ইন্দিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা মায় পাক্তুনা য়ুম্বু লৈবাক অসিগী শান্নরোই কিদম্বী স্রিকান্ত অমসুং পি ভি সিন্ধুমথংশীংনা নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্তনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই বি সাই প্রনিতকা লম্বা তৌনবদা য়াম্না মান্নবা মওংদা শান্নদুনা গেম ৩ চঙখি।

অহানবা গেম অদু সাই প্রনিতনা কিদম্বী স্রিকান্তপু য়াম্না নক্লবা স্কোর অমদা ২৩-২১দা থোইখি। অনীশুবা গেমদদি ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলসকী নম্বর ১ শান্নরোই ওইরিবা কিদম্বী স্রিকান্তনা সাই প্রনিতপু মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমদুনা ২১-১১দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু শান্নরোই অনী গেম অমমম থোইনদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনীগী লম্বা অদু য়াম্না মান্নরকখি। অমনা অমবু লাকশিনবা ঙমদনা লৈরকখি। পোইন্ট মান্না মান্নদুনা লৈরকপদগী শান্নরোই অনী ১৯-১৯দা লৈখি। মখা তাবা গেম অদুগী পোইন্ট ২ কিদম্বি স্রিকান্তনা লৌবা ঙমদুনা ২১-১৯দা দিসাইদিং গেম অদু থোইরগা ইন্দিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা ইন্দিয়াগী পরুপলি কস্যাপ অমসুং চাইনিজ টাইপৈগী ৱাং জু ৱৈগা লম্বা তৌনবদা কস্যপনা হৌবদগী হেন্না ফজবা মশান্না উৎতুনা ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীখি।

অহানবা গেম অদু চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোই ৱাং জু ৱৈনা ফনা কন্না হোৎনরবসু মশাগী পোইন্ট ১৬ য়ৌরকপদা কস্যপকী পোইন্ট ২১ য়ৌদুনা অহানবা গেম ইন্দিয়াগী কস্যপনা থোইখি। অনীশুবা গেম অদু চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোই অদুনা হেন্না ফজনা শান্নরকপগী মওং উৎলগ্রগা মখা তারকপদা কস্যপকী পাঙ্গল লৈরবা সোর্টশিং অদুবু পাউখুম পীবা ঙমদনা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অদুনা ২১-১১দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ঐচ এস প্রনোই টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ শান্নরোই দেনমার্ককী ভিক্টর এজেলসেননা ২১-১০, ২১-১৬দা মায়থিবা পীরমখি। হয়েং সেমিফাইনেলদা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্ত অমসুং চাইনাগী হুৱাং য়ুজিয়াং লম্বা তৌনরগনি। অদুগা অতোপ্পা সেমিফাইনেলদনা কস্যাপ অমসুং এজেলসেন শান্নরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই পি ভি সিন্ধুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা দেনমার্কক্কী শান্নরোই মিয়া ব্লিসফেল্টপু অকনবা লম্বা অমা থেংনরগা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৯, ২২-২০দা থোইদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই সিন্ধুনা টুর্নামেন্ট অসিগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা হোংকোংগী দেং জোয় জুৱানবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১১, ২১-১৩দা মায়থিবা পীরমখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা থাইলেন্দগী শান্নরোই অনীগী লম্বাদা বুসাননবু রাটচানোক্না ২১-১৮, ২১-১৯দা থোইরমখি। অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদনা চাইনাগী হান য়োনা হোংকোংগী চুয়েং ঙান য়িবু ২২-২০, ২১-১৪দা থোইরমখি। চাইনাগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবী হি বিংজিয়াওনা য়ু এসএগী বৈবেন ঝাংবু ২১-১৮, ২৬-২৪দা থোইখি।

হয়েং শান্নগদবা সেমিফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা চাইনাগী হি বিংজিয়াওগা লম্বা তৌরগনি। অদুগা অতোপ্পা সেমিফাইনেলদনা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্তানোননা চাইনাগী হান য়োগা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ মনুঅত্রি অমসুং সুমিত রেদ্দিনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী পেয়র প্রনব জেরি চোপ্রা অমদি সিভম শর্ম্মবু ২১-১০, ২১-১২তা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। পেয়র অদুনা সেমিফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী অঙ্গা প্রতমা অমদি রিকি করন্দাশ্বাদিগা শান্নরগনি।

নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী অপরনা বালন অমদি কে পি স্রুতিবু থাইলেন্দগী পেয়র টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ কিতিথারকুল অমদি প্রাজোঙাইনা ২১-৮, ২১-১১দা মায়থিবা পীরমখি।



# এসিয়া এয়রগন চেম্পিয়নসিপ্তা ইন্দিয়াগী শৌরভ অমসুং মনু ভাকর গোল্ড অমমম ফংখ্রে



টাওয়োন, মার্চ ২৯ (এজেন্সী)ঃ

চাইনিজ টাইপৈগী সিটি টাওয়োনদা পাঙথোক্লিবা ১২শুবা এসিয়ান এয়রগন চেম্পিয়নসিপ ২০১৯দা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শুটর ২ শৌরভ চৌধরি অমসুং মনু ভাকরনা গোল্ড মেদল অমমম লৌদুনা মখোয় অনীগী ওইবা অনীসুবা গোল্ড লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি এসিয়ান এয়রগন চেম্পিয়নসিপ অসিগী ৩নি চনবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী মনু ভাকরনা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড মেদল অমা লৌবা ঙমখিবনি। অমরোমদা শৌরভ চৌধরিনা টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেদল অমা ফঙবা ঙমখি।

মনু ভাকরনা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুদা ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা অপুনবা পোইন্ট ৬০০ লৈবগী মনুংদা পোইন্ট ৫৭৫ কাপ্তুনা ফাইনেলদা অনীশুবা পোজিসনদা ক্বালিফাই ওইরকপনি। হোংকোংগী সুটর সিং হো চিংগা সোট ২৪গী ফাইনেল অদুদা য়াম্না অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং ইন্দিয়াগী সুটর মনু ভাকরনা পুন্না পোইন্ট ২৩৯ কাপলগা গোল্ড মেদল লৌখি। অমরোমদা হোংকোংগী সিং হো চিংনা পোইন্ট ২৩৭.৯ কাপ্লগা সিলভর লৌখি। লোয়ননা য়ুএইগী সুটর ৱাফা অলালিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

নুপাগী মিটর ১০গী টিম ইভেন্টতা শৌরভ চৌধরি য়াওবা টিম্না গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। হায়রিবা ইভেন্ট অসিগী ইন্দিভিজুয়েল কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী সুটর অবিসেক বর্মনা সিলভর মেদল ফংখি। অবিসেকনা ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী সুটর মোসে কিমগা অকনবা লম্বা অমা থেংনবদা শুপ্নগী পোইন্ট ০.২ হন্থরগা ২৪০.৭ কাপ্লগা সিলভর ফঙহৌবনি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী টৈৱান লিনানা ফংখি।

# সুল্টান অজলান সাহ কপ হোকি টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিমনা পোলেন্দগী টিমবু পাঞ্জল ১০-০দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে

ইপো, মার্চ ২৯ (এজেন্সী)ঃ

মলেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি ইপোদা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা সুল্টান অজলান সাহ কপ হোকি টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা রাউন্দ রোবিনগী মেচ অমদা ইন্দিয়ানা পোলেন্দবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ১০-০দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী হোকি টিম অসিনা সুল্টান অজলান সাহ কপ হোকি টুর্নামেন্ট অসিদা শান্নখিবা মেচ ৫গী মনুংদা মায়থিবা নংদনা লাকখি। মখোয়না জপান, য়ুম্বু মালেসিয়া অমসুং কানাদাবু মায়থিবা পীখি। অদুগা সাউথ কোরিয়াগা দ্রো চৎখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মায়কৈদগী পীশিল্লকপা এটেকশিং অদু পোলেন্দগী শান্নরোইশিংনা ঙাকপদা অৱাবা অমা ওইখি। অহানবা পাঞ্জল অদু মেচকী ৭শুবা মিনিটতা বির প্রসাদনা চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং ইন্দিয়াগী মন্দিপ সিংহনা পীরকপা পাস অমদা সুমিতনা নীংথিনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা য়াম্না ঙন্না ইন্দিয়ানা পোলেন্দবু মাংজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফতা ইন্দিয়াগী এটেক মখা তানা চথবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী সুরেন্দ্র কুমার অমসুং টিম মেত বরুন কুমারনা ১৮শুবা মিনিটতা চনখিবা পাঞ্জল অমসুং সুরেন্দর কুমারনা ২০শুবা মিনিটতা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা ইন্দিয়ানা পোলেন্দবু য়াম্না হেনবা মওংদা অহানবা হাল্ফ অদু মাংজিল থাদুনা চৎখি।

সুরেন্দর কুমারগী পাঞ্জলনা অপুনবা স্কোর অদু ইন্দিয়াগী পাঞ্জল ৪ অদুগা পোলেন্দগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। হাল্ফ অদু লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবদা ইন্দিয়ানা মখা তানা পাঞ্জল ২ হাপচিন্দুনা ৬-০দা হেল্লগা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ইন্দিয়াগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈখি। মণিপুরদগী হৌখিবা নিলকান্তনা ইন্দিয়াগী ৭শুবা পাঞ্জল চনখি। মখা তারকপদা মঞ্জিৎনা ৫০ অমসুং ৫১ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল ২ অদুগা রোহিদাসনা পাঞ্জল ১ হাপচিন্দুন ১০-০দা থোইদুনা ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগা হয়েং শান্নরগনি।



# জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিসকোভা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্তিনা মিয়ামি ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল শান্নরগনি

মিয়ামি, মার্চ ২৯ (এজেন্সী)ঃ

য়ু এস এগী মিয়ামি ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই কেরোলিনা প্লিসকোভা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্তিনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

কেরোলিনা প্লিসকোভানা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অদুগী ২শুবা সিদেদ শান্নরোই রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ্পু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৭-৫, ৬-১দা মায়থিবা পীখি। মেচ অদুগী অহানবা সেট শান্নরোই ২গী লম্বা য়াম্না মান্নখি। গেম ১০ ফাওবা নাকল অনীমক্না গেম ৫-৫ থোইদুনা লৈরম্বদগী প্লিসকোভানা সাইমোনা হালেপকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৭-৫দা থোইখি।

অনীশুবা সেট অদুদা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপকী মায়কৈদগী মশা মথন্তা শোইজবা সোট কয়া অদুগী খুদোংচাবা প্লিসকোভানা লৌবা ঙমদুনা হালেপকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬-১দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

হয়েং শান্নগদৌরিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচ অদুদা প্লিসকোভাগী লম্বা ওইগদৌরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্তিনা ঙরাং শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্তাভেটপু ষ্ট্রেট সেট ২দা থোইরম্বনি।

মিয়ামি ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ১২শুবা সিদেদ ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্তিনা ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্তাভেটপু অহানবা সেটতা য়াম্না মতাং মতম চানা সার্ভিস গেম অমা মুনবা ঙমদুনা ৬-৩দা থোইখি। ২শুবা সেট অদুসু ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই অদুগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লক্তুনা অহানবা সেট অদুগী স্কোরগা চপ মান্নদুনা ৬-৩দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা স্বিজরলেন্দগী মমিং লৈরবা মশাগী চহী ৩৭ শুরবা রোজর ফেদররনা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোই কেবিন এন্দরসনবু ষ্ট্রেট সেট ২দা মায়থিবা পীখি। মশাগী কেরিয়রদা টুর্নামেন্টকী টাইটল ১০০রক লৌবা ঙমখ্রবা রোজর ফেদররনা সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসনবু অহানবা সেটতা য়াম্না হেনবা মওংদা শান্নবা ঙমদুনা এন্দরসনগী সার্ভিস গেম ৩মক ব্রেক তৌরগা সেট অদু ৬-০দা থোইখি।

২শুবা সেট এন্দরসনগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু সার্ভিস গেম অমা ফেদররনা মুনখিদুনা ৬-৪দা থোইরগা ফেদরর ফাইনেল য়ৌখি। হয়েং ফাইনেলদা ফেদররনা চহী ১৯দা ঙাইহিরিবা কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভকা লম্বা তৌনরগনি।

